# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থি হুন্নবগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফারে।

২) তুরিজম অমসুং কলা সংস্কৃতিগী লমদা তেংবাং পীননবগী মতাংদা মণিপুর সরকার অমসুং উত্তর প্রদেশ সরকারগী মরক্তা য়ান্ন-ৱারোল সহি তৌনখ্রে।

অমসুং

৩) জম্মু কাশ্মীরবু তেরোরিষ্ট লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবা সরকারনা হোৎনরিবা অদু মায় পাক্লগনি হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখ্রে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থি হুন্নবগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফারে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- কাংপোকপী জিলাগী লাইমতোন, থাংবু ময়াগী নেপালি কুথিদগী শেমদোক্লবা থ্রি নোট থ্রি স্নাইপ্পর রাইফল অমা, পোইন্ট ২২ রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, তুয়েল্ব বোর কাত্রিজ মঙা, আই.ই.দি অমা, পোকখায়বা য়াবা মচাক গ্রাম ১০০, ট্যুব লোঞ্চিং অনি, এন্তি রাইওট সেল ৬২ অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নুংব্রম খুল অমসুং লাইরোক ভাইফৈ খুলদগী ৭.৬২ এম.এম রসিয়ান আর.পি.দি মেছিনগন অমা, মেগজিন

অনিগা লোয়নননা ৫.৫৬ এম.এমগী ইন্সাস রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা ০.৩২ পিষ্টোল অমা, টু ইঞ্চ মোর্তার অমা, ১২ বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, কিলোগ্রাম অনি মখায় লুম্বা পোকখায়বা য়াবা মচাক মথুমশিং, পোম্পি গন অনি, পোম্পি সেল অমা, হেন্দগ্রেনদ মরি, রেদিও সেট অনি, ট্যুব লোঞ্চিং অনি, ৬০ এম.এমগী শেমদোক্লবা মোর্তার সেল অমা, ৮২ এম.এমগী হেভি সেল অনি, ৬০ এম.এম ইমপ্রোভাইস মোর্তার হাই কেলিভর লোঞ্চর অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরুশিং ফাগৎপা ঙমখি।

মণিপুর পুলিস, সি.আর.পি.এফ, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা একজিক্যুতিভ মেজিষ্ট্রেটকা লোয়নননা থা অসিগী ১৭ তগী নুমিৎ হুমি চংনা কাংপোকপী জিলাগী আই.টি. রোডগী অকোইবদা লৈবা খুলশিংদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং মাং তাকহনখ্রে। টিম অদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী লম একর ৬৩ দা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং মাং তাকহনখি।

অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়নননা নেসনেল হাইৱে-৩৭ অমসুং নেসনেল হাইৱে-২ দা তঙাইফদনা চংবা পোৎলম পুবা গাড়ি ১৬৭ অমসুং ৩৭১ অশোই অঙাম য়াওদনা পুশিল্লকখ্রে।

কাংপোকপী জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা আইন কায়না পোপি থারম্বা মাংহনখিবা অদুবু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লংকা, বিলৈজাং অমসুং মকুইদা থারম্বা পোপিশিং মাংহনখিবা অদুগা মরী লৈননা এফ.আই.আর অমা লৌখৎলে।

এমওয়ু (এল)ঃ এক ভারত শ্রেস্থ ভারত মপুং ফানা চৎনহন্নবা পান্দমদা মণিপুর সরকার অমসুং উত্তর প্রদেশ সরকারগী মরক্তা য়ান্ন-ৱারোল অমা সহি তৌনখ্রে। উত্তর প্রদেশ সরকারগী তুরিজম এন্দ কলচর বিভাগনা শিন্দুনা লখনৌদা লৈবা গোমতিনাগরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা উত্তর প্রদেশকী কলচর অমসুং তুরিজম মন্ত্রি জয়বির সিংহ, হায়র ইজ্কেসন মন্ত্রি য়োগেন্দ্র উপধ্যায়, তুরিজম অমসুং কলচরগী প্রিন্সিপল সেক্রেতরি মিকেস কুমার শরুক

য়াখি। মণিপুর সরকারগী ওইনা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার এম. জোয়, দিপ্যুতি দাইরেক্তর প্রোগ্রাম জি. ধর্ম্মদাস শর্ম্মা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা থৌগল জগোই অমসুং থাং-তা উৎখি। য়ান্ন-ৱারোল অসি হেক সহি তৌখিবদগী হৌরগা চহি অহুম চৎনগনি। য়ান্ন-ৱারোল অসি নাকল অনিনা য়ান্নবগী মতুংইন্না মখা তানা চহি অহুম শাংদোকপা য়াই।

মৈঃ এম.এস.পী.দি.সী.এলনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা অমসুং ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেদ চখবদা আই.ঈ.দিগী দিভিজন টুনা কোনবা মফমশিংদা মৈ হুরাল্লগা থাল্লম্বা মীওই অহুম, আই.ই.দি দিভিজন থ্রিদগী মীওই ৬, আই.ই.দি. দিভিজন ফোরদগী ১৯ অমসুং বিষ্ণুপুর দিভিজনদগী পুন্না ৬ পুন্না মীওই ৩৪ ফারে। এম.এস.পী.দি.সী.এলগী এগজিক্যুতিভ দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মৈগী খাজনা থিরমদবা মীওই ২৬ কী মৈসু ককথৎলে, মখা তানা খোঙজং চংশিনখিগনি।

অমরোমদা, এলেভেন কে.ভি ফিদরনা কোনবা মফমশিং ঙসি অয়ুক্কী পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা মৈ মুৎকনি। লাইন অসিনা কোনবা মফমশিং শেমজিন শাজিনগদবনা মরম ওইদুনা লমলোং বজার, উখ্রুল লম্বী, তিন্সিদ রোড, খুরাই কোংপাল, তোপ মোইরাংকম্পু, শঞ্জেনবম অমসুং তখেলগী কঞ্জুমরশিং মৈ ফংলোই।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙরাং কাংপোকপী জিলা বুংতে চিরু কম্যুনিতি হোলদা খৃষ্টমাসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মফম অদুগী মীয়ামদা অসাম রাইফলসনা খৃষ্টমাসকী খুদোলপোৎশিং খুৎশিন্নখি।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাগী খুদেংথাবীদা থি হুম্বগী থবক চখবদা য়ু ফাগৎলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু লুপা লিশিং ৯৪ হেনবা রোমগীনি। পোৎলমশিং অদু মোরেগী কষ্টমসতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

থৌবাল (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া তানজিম ই ইন্সাফ নেসনেল কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থরিবা লৈবাক্কী অপুনবা শক্তম শাগৎপা নুমিৎ থৌরম জিলা অসিগী হাওরৈবী তুরেল অহনবীদা লৈবা সেন্ট্রেল ইদিগাদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপ খুদিংমক নুংশি চান্ননা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা অপুনবগী শক্তম শাগৎমিন্নশি হায়বা ৱাফম শরুক য়াখিবশিংনা ফোংদোকখি।

এম্বুলেন্স (এল)ঃ রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা এম্বুলেন্স অমা চুরাচান্দপুরগী চীফ মেদিকেল ওফিসারদা ঙরাং খুৎশিন্নখ্রে। খুৎশিন্নবগী থৌরম জিলা অদুগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কেম্পসতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনসু শরুক য়াখি।

সাহ ঃ তেরোরিজমগী মায়োক্তা প্রধান মন্ত্রিগী জিরো টোলরেন্স পোলিসি অদুগা মরী লৈননা সরকারনা অথুবা মতমদা জম্মু কাশ্মীরবু তেরোরিষ্ট লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবা অদু মায় পাক্লগনি হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখ্রে। মহাকা হায়- পান্দম অসিগীদমক তঙাইফদবশিং ফংহন্নবা হোৎনগনি।

নিউ দিল্লিদা জম্মু কাশ্মীরগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিতিগী মীফম অমদা শরুক য়ারদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- মোদি সরকারনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগা লোয়ননা জম্মু কাশ্মীরদা তেরোরিজমগী থৌওংবু নমথনবা হোৎনরি। মহাকা হায়- হন্দক্তা পাঙথোকখিবা রাজ্য বিধান সভা মীখল অমসুং লোক সভা মীখলদা মীয়াম মপুং ফানা শরুক য়ারকখিবা অদুনা গনতন্ত্রদা থাজবা লৈ হায়বদু উৎথোক্লে। লমদম অদুদা তেরোরিষ্টকী থবক থৌরমশিং হন্থরকপা, নারোনদা মী চংশিল্লকপা অমদি তেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংনা নহাশিংবু রিক্রুইট তৌবগী থৌশিল হন্থরকপা অদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি। মন্ত্রিনা হায়- মোদি সরকারগী অপুনবা থৌরাংনা জম্মু কাশ্মীরদা তেরোরিজমগী থবক থৌরমশিং হন্থরকপনি।

পরিক্ষা ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ৮ শুবা পরিক্ষা পে চরচা মথং থাদা পাঙথোক্লগনি। মসিগীদমক রেজিষ্ট্রেসন মাই গোভ পোর্তেলদা মথং থাগী ১৪ ফাওবা হাংদোক্কুনা থল্লে। প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদদি-মহৈরোইশিংনা পরিক্ষা থাবা মতমদা অকিবা লৈতনা থানবা অমসুং মহৈরোই, ওজা অমদি মমা মপাশিংনা পরিক্ষাবু কুম্মৈ অমা ওইনা লৌননবগীদমক্তনি। চেরোল অমদা কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়না হায়- ক্লাস সিক্সতগী তুয়েল্ব ফাওবা তম্লিবা মহৈরোইশিং, ওজাশিং অমসুং মমা মপাশিংগী ওইনা এম.সি.কিউ মওংদা ক্বিজ কম্পিতিসন পাঙথোক্কনি। রেজিষ্ট্রেসন তৌবা মতমদা মহৈরোইশিংনা মখোয়না প্রধান মন্ত্রিদা হংনিংবা ৱাহং অদুসু পীখৎলকপা য়াগনি।

সংসদ ঃ লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা সংসদকী গেটতা খোঙজং চংশিনবা থিংখ্রে। চেরোল অমদা অধ্যক্ষনা হায়- কনাগুম্বা রাজনীতি দল নত্রগা সংসদ সদস্যশিংনা সংসদকী গেট মমাংদা ধারনা নত্রগা খোঙজং চংশিনবা য়ারোই। সংসদকী গেটতা ঙরাং কংগ্রেস অমসুং বি.জে.পি সদস্যশিংগী মরক্তা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকখিবা অমদি সদস্য অনি শোক্কুনা হোস্পিতালাইজ তৌখিবা অদুগী মখা তারকপদা খোঙথাং অসি লৌরকপনি।

মরক অসিদা, বি.জে.পিনা ৱাকৎলকপদগী দিল্লি পুলিসনা কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিগী মথক্তা এফ.আই.আর অমা লৌখৎখ্রে। বি.জে.পি এম.পি- অনুরাগ সিংহ ঠাকুর, বান্সুরি স্বারাজ অমসুং হেমাং জোসিনা বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিগী মথক্তা পার্লিয়ামেন্ট ষ্ট্রিট পুলিস ষ্টেসনদা ৱাকৎলকখিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পার্লিয়ামেন্ট মমাংদা রুলিং অমসুং ওপোজিসনগী এম.পিশিংনা চাউনা মুকখিবা অমসুং গুদ গভর্নান্স ৱিক হৌদোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

বি.আর. অম্বেদকরগী ৱাহৌদা পার্লিয়ামেন্ট মনুংদা চিন্দা পাউদানবদগী

হেন্দোরক্তুনা পার্লিয়ামেন্ট মমাংদা ওপোজিসন অমদি রুলিং পার্তিগী মরক্তা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা ইহিং নাহিং তাবা মখৈ মুকখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেস, মণিপুর নিউজ, সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ অমসুং মোর্নিং বেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা গুদ গভর্নান্স ব্রিক হৌদোকখ্রে, লৈবাক্কী য়াইফনবা ৱাখলনা মাং থারগা থবক তৌগদবনি হায়বা চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেস, তমেংলোং টাইমস, মোর্নিং বেল, মণিপুর নিউজ অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। অতৈ পাউচেশিংদসু অহানবা লমায়দা ফোংনরি।

হাই কোর্টনা শেমখিবা কমলবাবুগী ইনক্বারি কমিতিনা রিপোর্ট পীখৎলক্লে, নুমিৎ ২৫ নি শুরক্লবসু মহাক অমসুং মহাক্কী গাড়িগী মফম খঙদ্রি হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউদা বোক্স আইটেম ওইনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। ৱাকৎ মীফমা থল্লে, ৱারোইশিন পুরকপগী মমিদি তাদ্রি হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসগী এনকর কলমদা ফোংলি। তম্পাক্কী মফমশিংদা কোম্বিং ওপরেসন চথখ্রে, মীওই ১২ অমসুং খুৎলায় কয়া ফাগৎলে হায়বা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। মৈতৈনা এস.টি লিষ্টতা চনবদা ষ্টেটকী প্রপোজেল হান্না থারকপা চংই হায়বা কেন্দ্র ট্রাইবেল এফ্যারস রাজ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হোম মিনিষ্টরগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ইরাং হৌরকপদগী লোক সভা মীফম য়েথোকখ্রে হায়বা পাউ পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কংগ্রেসনা মণিপুরদা বি.জে.পিগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে, ডাঃ অম্বেদকরগী মতাংদা বি.জে.পিনা থমখিবা ৱাফম লাল্লে হায়জগদবনি হায়বা পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা নোলোফি ডে ওফ রোফ বেনানি হৌদোকখিবগী পাউ সেনাপাতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------